দিজিটেল কোপি চৎনরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি) ঃ

ইন্দিয়াগী মফম পুন্নমক্তা দ্রাইভিং লাইসেন্স অমদি অতৈ মরু ওইবা চে-চাং কয়ামরুমগী দিজিটেল কোপি চৎনরগনি। রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট খুদিংমক্তা দ্রাইভিং লাইসেন্স ভিহিকল রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেটকী দিজিটেল কোপি চৎনহন্নবা ওফিসল ওইনা পাউ পীখ্রে হায়না এজেন্সিনা পাউনা হায়রি।

লাইসেন্স অমদি অতৈ মরু ওইবা চে-চাংশিং কোইপু পুদুনা চৎত্রবসু অপলোদ তৌরগা দিজিলোকর নৎত্রগা এম পরিবহন প্লেটফোর্মগী খুৎথাংদা পুথোকপা য়ারগনি। হৌজিক্তি মীয়াম্না গাড়ি থৌবদা দ্রাইভিং লাইসেন্স কোইপু পুদুনা চৎপগী মথৌ তাররোই। অদুমওইনমক হায়রিবা চে-চাংশিং অদু স্কেন তৌরগা ফোন্দা ষ্টোর তৌবদি য়াররোই। দিজিলোকর নৎত্রগা এম পরিবহনগী খুৎথাংদা শীজিন্নগদবনি।

ৱারী শানখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

তরেৎশুবা পে কম্মিসন্না রিকমেন্দ তৌবা রিভাইজ পে ষ্ট্রক্টচর চৎনহনবগী মতাংদা হৌখিবা জুলাই ২৮ দা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স) না খুৎয়েক পীদুনা থোকখিবা ওর্দরগী মরমদা খন্ননবা মথংগী নুমীৎতা পাঙথোকখিবা এমটুক এন্দ এম জি ওগী জে এ সীগী কোর কম্মিটি, এদভাইজরি বোর্দ অমদি এগজিক্যুটিব কাউন্সীল মেম্বরশিংগী অপূনবা ইমর্জেন্সি মীফমগী অকুপ্পশিং ঙসি মণিপুর লৈঙাক অমসুং জে এ সীগী দেলিগেসন অমনা খন্নখ্রে।

নাকল অনীগী অপূনবা মীফম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবু, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স), ভি ভুমলানমাং অমসুং হায়র টেক্নিকেল এদ্যুকেসন/দল্লিয়ু আরগী কম্মিস্নার ঐচ দীলিপনা মণিপুর লৈঙাক্কী মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। জে এ সীগী মায়কৈদগী কন্সল্টেটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেন সোরাইসম কেশোরামনা লুচিংবা মেম্বর ১৫ গী দেলিগেসন অমনা মীফম অদুদা শরুক য়াখি। জে এ সীগী অপূনবা ইমর্জেন্সি মীফম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্তা ফিটনেস ফেক্তর ২.৫৭ কী মহুৎতা ৩.৬৮ ওইহন্নবা তকশিনবা, কুমজা ২০১৬ কী জানুৱারি ১ দগী পারগা এরিয়রশিং পীহনবা অমদি মতম শাংলক্লবা পোইন্ট ২২ গী চার্টর ওফ দিমান্দস পীহন্নবা তকশিনবা হায়না মোত অমত্তা ওইনা য়ানখিবনি।

অপূনবা মীফম অদু পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা পাঙথোকখি অমসুং ওগষ্ট ১৮ ফাওবা মখা তানা চথগনি হায়না জে এ সীগী চেরোল অমা হায়রি।

চোইনা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগীদমক লৈঙাক্লা মতেং পাংবীয়ু : মেসিয়া

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা চোইনা খুন্দারিবা মৈতৈ ইচিন ইনাওশিংগী অৱাবা নুংঙাইতবা লাকপদা মশাগী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরদগী কদাইদা করি হায়দুনা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াবীবা পাম্মী হায়না মৈতৈ য়ুথস ফ্রন্ট, সাউথ ইষ্ট এসিয়া (মেসিয়া) না ফোঙদোরক্লি।

মেসিয়াগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এ লম্বা মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মেসিয়ানা শাফোংলকপদগী সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা থোক্লিবা ইস্যুশিং মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লি। ত্রিপুরাগী য়েলহৌমী কন্নবা খোঙজংদা বেঙ্গলি মুসলিমশিংনা ত্রিপুরি ফুরুপকা অমদি মতমদুদা ফুরুপ্তা ফাওখিবা চিংনবা, ম্যান্মারগী রোহিংয়া ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা রোহিংয়াশিংনা মৈতৈশিং ঙাইয়ানচুৱাং ভিলেজ লখাইন ষ্টেটতা খুন্দারিবা অদুদা এটেক তৌদুনা মীওই অহুম শোকহনখিবা, বাংলাদেশতা ওজা সিংহাগী ক্রাইসিস মেসিয়ানা অকনবা মীৎয়েং চঙখিবা ক্রাইসিসশিংনি। মফম অতৈশিং মেঘালয়া, নাগালেন্দ, মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেশতা মায়োক্নরিবা অপীকপা/অচৌবা ক্রাইসিস পুন্নমক মেসিয়াদা লোইনা পাউ পীরকই অমসুং হান্নসু খঙই হায়রি।

ইস্যুশিং অসি মতম চানা পোলিটিকল লেভেলদা মতেং পাংনবা মেসিয়ানা হোৎনরি অমসুং মতম খরদি লৌখিসি হায়রি।

ইস্যু ময়াম অসিগী মরক্তা অচৌবা ইস্যু অমা ওইরিবা অসামগী এন আর সী ফোঙবদা মীতৈ ইচিন ইনাওশিংগী মীং চীথরম্বা অসিনি। মসিদি ঐখোয়গী ইচিন ইনাওশিংনা থৱায় ৱাবা অমদি নুংঙাইতবা উবদা মেসিয়ানা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইতবা ফাওই। ইচিন ইনাওশিংগী অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াবগা লোয়ননা অৱাবা কোক্লবা হোৎনবদা মেসিয়ানা অঙম্বা মতেং পাংগনি।

মতম কুইনা য়েলহৌমী ওইনা লৈরক্লবা ইচিন ইনাওশিংনা এন আর সীদা দোকুমেন্ট সবমিট তৌবা নংহৌদবদগী অহানবা ফোঙবা এন আর সীদা য়াওবা ঙমখিদবনি। দোকুমেন্টশিং অসিগী মরমদা মমা লৈবাক্তগী লৌগদবা খরসু লৈবনা ষ্টেট লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা অকনবা ইন্সত্রক্সন পীবিদুনা চে-চাং ইস্যু তৌবদা মতম লৌহনবীগনু।

ইচিন ইনাওশিংনা লৈরম্বা/মচিন মনাও, শাগৈ, নাতৈনা হৌজিক লৈরিবা পঞ্চায়ট, ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, এ দি সীশিংনা থম্মোয় শেংনা মতেং পাংবীনবা মেসিয়ানা আপিল তৌরি।

এম এল এশিংনসু য়েংশিনবীনবা অমুক হন্না আপিল তৌরি। মিং য়াওরক্রুবা মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙল ইচিন ইনাওশিংগী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরনা মখোয়দা অৱাবা তারবা ৱাখল নুংঙাইত্রবা মতমদা হৌরকফমগী লৈঙাক্লা য়েংশিনবীদুনা পুকমেন পাওমেন্নবীয়ু, মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্তা য়াওরিবা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিংনা অসামদা লৈরিবা মৈতৈ অমদি মৈতৈ পাঙল ইচিন ইনাওশিংগীদমক অসাম গভর্ণমেন্টতা চে থাদুনা অমদি মী থাদুনা হায়বা য়াবা ৱাফম পুন্নমক মতম লৈরিঙৈদা হায়বীগদবনি। অসাম একোর্দকী মতুং ইন্না ফোঙলিবা এন আর সী নোর্থ ইষ্ট কন্নবা অহানবা খোঙথাংনি। অসিগুম্বা মীৎয়েং শাল্লবা পান্বে অসি মণিপুর য়াওনা অতৈ ষ্টেটশিংসু এন আর সী থম্বা তঙাইফদে। ইমিগ্রেন্টনা মশীং য়াল্লবা মণিপুরগীদমক এন আর সী থম্নবা মেসিয়ানা দিমান্দ তৌরি।

বেজ য়র ১৯৭১ ওইরিবা এন আর সী অসিদা চনগদবা মৈতৈ ইচিন ইনাও খুদিংমক চাননবা লৈঙাক্লা হেন্না সপোর্ট তৌবীয়ু। সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা চোইনা খুন্দাখ্রবা ইচিন ইনাওশিংগীদমক ইমা লৈবাক্তা লৈরিবা মৈতৈশিংনা য়াম্না নুংশি হায়বদু অৱাবা তারবা মতমদা উৎকদবনি। লমদম তাম্না লৈখ্রবা ঐখোয়গী ইচিন ইনাওশিংবু মণিপুরদা লৈহৌরিবা মীতৈ পুন্নমক্লা ঙসিসু নীংশিংলি কাউবা লৈতে, কাউবসু ঙল্লোই হায়বসি ঐখোয় অমুক হন্নসু নীংশিংগদবনি।

ইথিল অমত্তনা ঐখোয়গী অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোনবু থুগাইবা ঙল্লোই। পোক্লফম ইমা মণিপুর কন্নবগীদমক ঐখোয় পূন্দবা য়াদে। মদুগীদমক মেসিয়া শাফোংলকপনি হায়খি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মৈতৈশিংনা মেসিয়াদা পূনশিনবা হেল্লকপবু তরাম্না ওক্লি অমসুং মৈতৈশিং লিংজেল মান্নরকপগী অচৌবা খুদম অমনি। এন আর সীদা করিগুম্বা লাইবক থীবা মৈতৈ য়াওরক্লবদি মদুগীদমক লৈফম লৈতে হায়না করিসু ৱাবীগনু। অদুগুম্বা মীয়াম অদুবু সোল্বে তৌনবগীদমক মেসিয়া লৈরি। মেসিয়ানা কল্লগা থল্লিবা অহেনবা লম খুদিংমক লম লৈতবা ইচিন ইনাও অমদি লায়রবশিংগীনি। লমগী ওইনা ৱানীংঙাই লৈতে। ঐখোয় পূন্না লৈমিন্নগদবনি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্তা য়াওরিবশিংনা ঐখোয়গী অৱাবা তারবা ইচিন ইনাওশিংবু হেন্না কোওর্পরেসন পীবিদুনা অহল নহা খাক্তনা অমত্তা ওইবগী লন্বী য়াৎপীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

নোংমা নোংমগী মশীং হন্থরক্লিবা মীতৈ ফুরুপ্না ২১শুবা চহী চাদা ঐখোয় মশেল হেন্না পূনশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা লাইনীং লাইশোন দা পুথোক্লগা হুন্নবনা ঐখোয় চাওখৎলক্কদবা লৈতে। মশাগী অপাম্বা লাইনীং চৎপদা খুৎথিংজিনবা, মীতোপ ওইনা উবা য়াম্না ৱাখৎল খনবা ৱাৎপগী মওংনি হায়না মেসিয়ানা লৌই। অসিগুম্বা ফেনাটিক ওইবা ৱাখল্লোন অসি সোসল মিদিয়াদা ফাওবা শন্দোকপা য়াওরকপা অসি ফুরুপকী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমা ওইরে।

মখা তাবদি মেসিয়ানা ইচিন ইনাওশিংগী মফমদা নোল্লুক্না হায়জরি মদুদি মখা তানা অদুগুম্লবা ফুরুপকী ইনিটগ্রিটি থুগাইবা মেসিয়ানা থেংনরবদি অপূনবা মৈতৈ পোলিটিকেল মুভমেন্টকীদমক শোয়দনা থবক লৌখৎকনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

‘ঈ কৎপগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

লায়ওন ক্লব ওফ ইম্ফালগা লায়ন ক্লব ওফ ইম্ফাল ভেল্লিগা পূন্না শিন্দুনা পেত্রিওটস দেগী থৌরম থা অসিগী ১৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা লায়ন সর্ভিস সেন্তর সঙাইপ্রৌদা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি লায়ন ক্লব ওফ ইম্ফাল খ্বাই, লায়ন ক্লব ওফ ইম্ফাল নোর্দন হেমিসফ্যের, লায়ন ক্লব ওফ ইম্ফাল ভেল্লি, লায়ন ক্লব ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট, লায়ন ক্লব ওফ ইম্ফাল নোর্থ, লায়ন ক্লব ওফ ইম্ফাল মোরে বোর্দর টাউন, লায়ন ক্লব ওফ সাউথ ইষ্ট অমসুং লায়ন ক্লব ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট গ্রেটরনচিংবনসু শৌগৎকনি হায়না লয়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী মার্কেটিং এন্দ কম্যুনিকেটিং ওফিসল লায়ন এম মানসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক্কী মতাংদা কোলেজশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক্কী হৌরকফম ওইরিবা ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর এ পি পান্দে লৌথোক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অমদি মসিদা এফিলিয়েট তৌবা কোলেজশিংদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী মহৌশাগী পুন্সি হঞ্জিলহল্লু হায়না দিমান্দ তৌরদুনা মণিপর কোলেজ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা ঙসি কোলেজ অসিগী গেট মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কোলেজ অসিদা ৫ শুবা সেমিষ্টর তল্লিবা নোংথোম্বম নেপোলিয়ননা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থা ২ হেন্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মহৈরোয় পুন্সিবু করিসু লৈতনা খনবগী থৌওংদা লৈঙাক অসিনা তুমিন্না লৈশিনবা য়ানিংদে। ৱাথোক অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা লোইশিনবিদুনা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবিয়ু।

ৱাথোক অসিগী হৌরকফম ওইরিবা ভি সী এ পি পান্দে অথুবা মতমদা মফমদগী লৌথোক্তুনা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কল্লু অমদি য়ুনিভর্সিটি অসি মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহল্লু হায়খি।

অমরোমদা বিরমঙ্গোল কোলেজদসু কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা দিমান্দশিং অসি তৌরদুনা কোলেজ অসিগী গেট মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

থৌবাল কোলেজদসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর এ পি পান্দে মফম লৌথোকউ অমসুং য়ুনিভর্সিটিদা মহৌশাগী ফিভম হনজিনহল্লু হায়না মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। এমসু, দেসাম, এম এস এফ, সুক, এইমস অমদি কে এস এগী লুচিং মখাদা থৌবাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অমনা ফোঙদোরকখিবদা ভি সী অমা ওইবদা মতিক চাদ্রবা এ পি পান্দেনা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেরিয়রদা অকায়বা কয়ামরুম থোকহল্লে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা এ পি পান্দে লৌথোক্তুগাদি হেন্না কনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারে হায়রি। মহৈরোয়শিংগী থার্দ সেমিষ্টরগী মার্ক সীট অমসুং মরিশুবা অমসুং তরুকশুবা সেমিষ্টরগী রিজল্ট ঙসিফাওবা হায়দোক্তনা লৈরে। অমরোমদনা ছুটিদা লৈখিবা ভাইস চান্সেলরনা য়ু জি সীগী ইন্সপেক্সন টিমদা চ্যেরমেন ওইদুনা নাগালেন্দদা কোলেজ ইন্সপেক্সন তৌদুনা লৈরে। মহৈরোয়শিংগী খোঙজং অসিবু অরানবা মওংদা নাথৈনবা হোৎনরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌওংবুসু য়ানিংদে হায়না ৱাকৎ মীফমদা শরক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোকখি।

জিরিবামদসু নেসনল দি ৱর্মিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি জিরিবাম্না শিন্দুনা ঙরাং জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওদিটোরিয়ম হোলদা নেসনল দি ৱর্মিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট/ব্লোক লেভেল দি সেমিনেসন ৱার্কশোপ ওন নেসনল দি ৱর্মিং দেসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টক্তা লৈরিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, আশাশিং অমদি তোঙান তোঙানবা নুপী কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা জিরি হোস্পিটালগী ডো. এন সরোজা এম ও আয়ুসনা ৱান দে দিষ্ট্রিক্ট/ব্লোক লেভেল দি সেমিনেসন ৱার্কশোপ ওন নেসনল দি ৱর্মিং দেগা মরী লৈননা রিছোর্স পার্সন অমা ওইনা ৱর্কশোপ অদুদা শরুক য়াখি। দি সেমিনেসন ৱর্কশোপ ওন নেসনল দি ৱর্মিং দে অসি করিগী পাঙথোক্লিবনো অমদি মসিনা করি কান্নবা পীগদগে হায়বগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙথোকখি।

পি এম জি এস ৱাই মখা চত্থনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ঃ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ফমখিবা কেবিনেট কম্মিটি ওন ইকনমিক এফেয়রসনা ১২শুবা চহী মঙাগী থৌরাং মতুংফাওবা প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সরক য়োজনা (পি এম জি এস ৱাই) মখা চত্থনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

থৌরাং অসিনা লুপা ক্রোর ৮৪,৯৩৪ চঙনা মফম ৩৮,৪১২ শম্ন হন্নবা পান্দম থল্লি। সেন্টরনা লুপা ক্রোর ৫৪,৯০০ পুথোক্লগা ষ্টেটনা লুপা ক্রোর ৩০,০৩৪ পুথোক্কদবনি।

কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ফাওবদা মফম ২৫০ শম্নহন্নবা পান্দম থল্লি। অহানবদা পি এম জি এস ৱাইগী পান্দম কুমজা ২০২২ গী মার্চ ফাওবদা ফংনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। অদুবু মতম খরা ঙনখৎনা কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ফাওবদা পান্দম ফংনবা হোৎনরগনি।

থৌরাং অসি লৌখৎপদা অচঙবা শেনফমগী চাদা ৬০ সেন্টরনা পুথোক্লগা চাদা ৪০ না ষ্টেট মশামশানা পুথোক্কদবনি হায়রি।

লেফটনেন্ট জেনরেল সোকিন চৌহান্না সিজ ফায়র মোনিটরিং গ্রুপকী চ্যেরমেন ওইরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) ঃ

অসাম রাইফলসকী দিরেক্টর জেনরেল ওইরম্বা লেফটনেন্ট জেনরেল সোকিন চৌহাননা সিজ ফায়র মোনিটরিং গ্রুপ (সী এফ এম জি)গী অনৌবা চ্যেরমেন ওইরগনি হায়না এজেন্সিগী পাউনা ফোঙদোক্লি।

পাউ অসিনা হায়, হান্নগী চ্যেরমন দি কে পাথক্কী মতম ঙরাং লোইখিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা লেফটনেন্ট জেনরেল সোকিন চৌহানবু থৌ পুহন্নবগী মতাংদা য়াথং অমা থোরক্লগনি। নাগা লালহৌবশিংগা ৱারী শান্নদুনা মতম পুম্বগী ওইনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী পান্দমদা কুমজা ২০০১ দা সিজ ফায়র মোনিটরিং গ্রুপ শেমখিবনি। সেন্ট্রল গর্ভর্নমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম), পি পি আর এন/এন এস সী এন অমসুং এন এস এন (আর)নচিংবা নাগা লালহৌলুপশিংগা লাউথোক্লখিবা সিজ ফায়রগী মখাদা শেন্বা গ্রাওন্দ রুলশিং ঙাক্লা চৎহনবগী থৌদাং পুন্নমক সী এফ এম জিগী চ্যেরমেন্না লৌদুনা লাকখি।

হৌখিবা থা খরগী মনুংদা নাগা লালহৌলুপশিংগা অসাম রাইফলসকা খুৎথোক্লখিবগী থৌওং লৈখিবা মরম্না পেরামিলিটরি ফোর্স অসিগী দিরেক্টর জেনরেল ওইরম্বা মীওই অমনা মোনিটরিং গ্রুপকী চ্যেরমেন ওইরকপা হায়বসি অসাম রাইফলসকী ওইনদি নুংঙাইবা পাউ অমা ওইনা লৌনরি।

কুমজা ২০১৫ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গর্ভর্নমেন্টনা এন এস সী এন (আই-এম)গা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯৭৯ বেচকী আই পি এস ওফিসর দি কে পাথকপু সী এফ এম জিগী চ্যেরমেন খনখিবনি।

নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতাংদা ৱারী শান্নবগী তাঙ্কক অরুবা ফিভম অমা য়ৌরক্লবা মতমসিদা লেফটনেন্ট জেনরেল সোকিন চৌহাননা পিছ টোক মাই পাকহন্নবা হোৎনবগী থৌদাং লৌগদৌরি।

পনবা য়াবদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা অরুনাচল প্রদেশতা এন এস সী এন (আই-এম)গা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎলকপদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি। মদুনা মরম ওইরগা নাকল অনী ৱারী শান্নবগী থৌরম য়েথোকপা তাখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা অরুনাচল প্রদেশকী টিরাপ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা দিওমালিদা নাকল অনী ৱারী শান্নবা থৌরাং তৌরম্বনি। মমাঙ চয়োলদা ৱারী শান্নবগী থৌরম পাঙথোকহনবা য়ারোই হায়না ওল অরুনাচল প্রদেশ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুদা তকশিনখিবনি। ইষ্টর্ন নাগা নেসনল গর্ভর্নমেন্ট কৌবা অনৌবা লালহৌলুপ অমনসু মীয়াম্বু আই-এম অমদি হোম মিনিষ্ট্রিগী মীফমদা শরুক য়াদনবা খঙহনখিবনি।

ꯃꯥꯡ/MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of HSLC Examination, bearing Roll No. 42460 of 2018 issued by BOSEM, on the way between RIMS quarter to Kwakeithel Mayaikoibi on 25/08/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Solomon Manggoulal Haokip**
RIMS Colony, Lamphel ☎ **9612103672**
HL-P/1968/11

ꯊꯨꯅ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯏ/WANTED URGENTLY

1. Domestic Helper - GIRL
   - *Cooking*
   - *Taking care a 3 year boy*
   - *Should Stay in House*
2. Showroom Sales - BOY
   - *Punctual, Smart & Honest*

SALARY : ₹4000 to ₹6000

Futurewitness Consultancy, Keishampat
Mobile : ☎ **90897-80102**
HL-P/1972/11

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্করে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শৎতনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিং, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিং চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Phone No. **9612225582**
Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee
HL-B/4758/20/7-19/08

ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯁ ꯋꯨꯗꯤ ꯏꯝꯐꯥꯜ
M/S WOODY IMPHAL

Sangaiprou, Imphal West Opp. ISKCON Mandir

WANTED URGENTLY

- Front Desk/Receptionist – 1 Post (Female)
- Salesman – 3 Posts
  (Knowledge of furniture fitting)
- Salary : ***Negotiable***

For details please contact :
☎ **9774791083**
HL-P/5212/11-13

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

It is hereby notified for general information that "***Manipur Competitive Aerobic Association***" Heirangoithong Bazaar has been changed its name as "**All Manipur Sericulture Development Association**" address at Uripok opposite Cheirap Court Imphal in the office of the Registrar of Societies Manipur. So, if there be any claim objection/suggestion regarding the proposal the same may be filed to the Registrar of Societies Manipur within seven days from the publication of this notice. After which no complain etc. shall not be etertained.

HL-P/1970/11
Sd/- **PRESIDENT**

SANGAI HOUSEKEEPING & HOUSE CLEANING SERVICES

[A UNIT OF LGP ENTERPRISES(MN-O5D0005417){MICRO}]
THANGMEIBAND YUMNAM LEIKAI, I/W

Manipurda Ehan Hanba Oina Pung Khragi Mi WaibaYarani....

- * Yumge Mi Leijadabge Awaba Koklagani * Yumgi Thabak Ayamba Shubage Khudongchaba Fangalagani Leijare.
- * Samna Hairabada, * Yumge Napi Fanba, * Yum Sengba
- * Water Reservoir (Sintex) , Underground tank Sengba
- * Mi Leitabasinggi Deba Karma Thokpada Pung Khragi Nongmagi Mi WaibibaYaigani...
- * Yumgi Maintenance su Eikhoidagi Toubasu Yagani (Rung,Pipe, Repairing Etc.)
- * Korphu Fengbagi Amadi Ensang Napi Sembagi Mi Waibasu Yagani...
- ** Pung Khragi Waibada Pungda Lupa Rs.199/-(Khaktani) (Pung Khra Amadi Numit 2,3 Waibagini)
- ** Nongmagi Waibadana Lupa Rs 799/- Ni (Man Power 1)
- ** Housekeeping gi Oina Pungda Lupa Rs. 69/-Khaktani (Nungtigi Waibigadabni)
- ** Housekeeping gi OinaTha 1 gi Oina OibaTaradi Lupa Rs. 6999/- da Yagani. Nongmagi Pung 4hr to 8hr Shujagani...
  (Pung 4hr dage henna shuba pambiba miosingtagini)
- *** Leibak Honjinba, Nung Honjinbadadi Garigi Trip Ta Paisa Loujagani, Natragasu Pung Khra Oina Waibadasu Yagani...

Eikhoidagi Fangadaba Labour Singdi
1) Rung gi Mistery, 2) Pipe ki Mistery, 3) Chekki Mistery
4.Carpentery Mistery asinachingba Fangbigani...
5.Worker/Labour Mi 10/20 waibasu Yagani...
# Condition Apply : Arembada Paisa, Matam Manghanbiganu,
Yamna Laina HongnaThabak Shujari.

Order Toubiyu / Contact Toubiyu
SANGAI HOUSEKEEPING &HOUSE CLEANING SERVICES
ThangmeibandYumnamLeikai
# 7005112624/7005071707/6909013553
Email:lgpenterprises123@gmail.com
Website :www.lgpenterprises.in

HL-P/5160/3-29 Aug(Alt.)

IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref:- Mut. Case No. 757/SDC/IW-L/2018

1. Brajabasimayum Brajamohol Sharma S/o (L) Keshor Sharma of Lairenkabi Maning Leikai.
2. –Do– Gopal Sharma S/o (L) –Do– of –Do–.

-Petitioners

-Vs-

Late Brajabasimayum Keshor Sharma S/o (L) Ajat of Lairenkabi.

-O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

The 9/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার ব্রজবাসিময়ুম কেশ্বর শর্ম্মা, পীং মৃ: অজাৎ, সাং লাইরেনকাবীগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৮-অৱাং লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩৭, দাগ নং ২৮২ অমসুং এরিয়ানা ০.৫৮ চাওবা ইশ্বোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector, IW: Lamsang
HL-P/1967/11

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নিংই হায়দুনা চংবদা হমেং মথিগুম্না মরু মরু অকনবা ওইনা খজিক্তং হান্বা, পুক নুংশিং কারগা পুকচেপ নাবা, নুংশিং খায়দোকপা য়াদবা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা নাদুনা খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নিংই হায়দুনা চংবদা হমেং মথিগুম্না মরু মরু অকনবা ওইনা খজিক্তং হান্বা, পুক নুংশিং কারগা পুকচেপ নাবা, নুংশিং খায়দোকপা য়াদবা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাল্লগা চান্বদা অমাঙথোংদা থুপ্পা অমদি নাবা, খোঙ হান্বদা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, চোকথ-ৱাম্থরগতা লৈনিংবা, খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, নিঙ্গাংনা ফম্বদসু শৌজ অদু অমুক তারকপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চারগসু হকচাংদা ইনর্জি পোক্তবা, ঙকশম মরি নাবা, য়াঙলেন শরু নাবা, লেঙজুম অনীমক চিকপা নাবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/ 9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা পুন্নমক মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবী : **CH. PRIBATA**
Porompat
HL-P/5189/11

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref:- Mut. Case No. 784/SDC/NBL of 2018

Waikhom Bibekananda Singh S/o (L) W. Leithoi Singh of Utlou Kangjeibung Mamang Leikai.

...... Petitioner

-Vrs-

(L) Wahengbam (N) Chaobi Devi D/o (L) W. Anganghal Singh of Utlou.

...... Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Dt. 10/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১৬-উৎলৌ পাট্টা নং ৩০৩ (অরিবা), ৪৯২ (অনৌবা) দাগ নং ৩৮৫ এরিয়া ০.৩৩ একর ওফ ইশ্বোল ক্লাস হায়রিবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা ইশ্বোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Dhiren Singh**
Sub-Deputy Collector, Nambol
HL-P/5209/11

ꯗ꯭ꯔꯥꯏꯚꯔ/ দ্রাইভর অমা পামজৈ

Four Wheeler নীংথিনা থৌবা হৈরবা দ্রাইভর অমা অথুবা মতমদা পামজৈ। অপাম্বশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরক্লবা খঙহঞ্জরি।

HL-P/5217/11
☎ **9436425580 / 7005024587**

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Imphal, the 10th August 2018

No. P/M/SR/2018: it is notified for general information that "**MAMI THAWAN FOUNDATION**" has been formed and proposed to be registered under Manipur Societies Registration Act 1989 with its address at **Pishumthong Oinam Leikai, Imphal West, Manipur** in the office of the Registrar of Societies, Manipur. So, if there is any claim/objection/suggestion regarding the registration under this name, the same be filed to the Registrar of Societies, Manipur within 15 (fifteen) days from the date of publication of this notice. Further complaint will not be entertained as per Rule No. 13 of MSR Rules, 2004.

Sd/- **Mayanglambam Romi Meitei**
President, ☎ **9612169101**
HL-P/1973/11

ꯌꯨꯝ ꯌꯥꯎꯅ ꯏꯁꯣꯜ ꯑꯃ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ

যুম য়াওনা ইশ্বোল অমা য়োঞ্জরি

যুম য়াওনা ইশ্বোল পোইন্ট ০.০৭ (33 x 90) Sq. ft. পাক চাওবা ককৱা সিনেমা হোল লৈরক্তা লম্বীগা হেক তায়নবদা লৈবা ইশ্বোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদা অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

HL-P/1958/9-12,15,17,19
Contact No.: ☎ **8415940190**

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/য়াম নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবীবা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গীকো হিদাক হপ্তা মরী চাবীবদা ঐগী ওইৎথংবা কিদনীদা লৈবা 6 mm চাওবা নুঙ অদু তারকখ্রে। মসিগীকো য়াম নুংঙাইবা ফোঙদোকচবনেকো।

Sd/- **HAUNGAICHING**
Singhat CCPUR District
HL-P/1966/11

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref:- Mut. Case No. 783/SDC/NBL of 2018

1. Laishangbam Premjit Singh S/o L. Shamu Singh of Utlou Kangjeibung Mamang Leikai (Area 0.23 acre Eastern Portion).
2. Waikhom Somorjit Singh S/o W. Kameshwor Singh of –do– (Area 0.23 acre of Western).

...... Petitioners

-Vrs-

1. (L) Tensubam (N) Wahengbam (O) Rajni Devi W/o (L) W. Ibochouba Singh of Utlou.
2. Thounaojam (N) Chongtham (O) Mono Devi D/o Th. Tondon Singh of –do–.

...... Pattadars

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Dt. 10/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১৬-উৎলৌ পাট্টা নং ১৩৭ (অরিবা), ৭১ (অনৌবা) দাগ নং ৩৮২ এরিয়া ০.৪৬ একর ওফ ইশ্বোল ক্লাস হায়রিবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার নং (১) (২) অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দংকারি নং (১) (২) না মথক্তা পল্লিবা মাগী মাগী শরুকশিং অসিদা ইশ্বোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Dhiren Singh**
Sub-Deputy Collector, Nambol
HL-P/5209/11